
HUEIYEN LANPAO



"য়ূদে শৌনা তাঙজা লিলহা
থিংদে পলনা মলয়া নুংশিৎ
থূক্তে শৌদা, য়েংদে পলদা
নুংশিবগী নুংশিৎ।" -মীনকেতন

# শৈরেং

## লীক্লম

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

অহল লমনশিং অদুগী
খোঙ্গুল ইনবতনি
করি হায়রল্লিবা
করি ফোঙদোক্লল্লিবা।
থন্বীরল্লিবশিং অদো
করম থমসিগে
য়েংশিনবতনি।
অনৌবা লীক্লম ফাৎপা নত্তে,
অনৌবা লম্বেল শেম্বা নত্তে।
অরিবা লীক্লমদু কাইদনা
চৎপতনি,
থন্বীরল্লবা পরম কাইদা
থম্লবা হোৎনবনা ঐখোয়গী
ইথৌদাংনি।

## মমিংনি

—এম নিলাকুমারি

ভোট হায়না খঙনরি মীয়ামগী
শক্তিগী মমিংনি মীখলসু মমিংনি।
ইন্দিয়াগী কাঙলূপ-ফুরুপ খায়দ্রবা
কোয়চেন চেন্নে কোয়লাউ'লনৈ-খোংনৈ
ঐ হায়বসি অফবনি
ঐনা লাউরি কর্ম্ম অমগী অরাংফমগুম
ফম অমত্তং পীবিয়ু
অচুম্বা নুংশিবা থাজবা ওইজ-ওইথক পামদ্রবা
পুন্সিদুগী লৈতেং হাপ্লসি
মীখল অসি ভোট অসি।
থাজফম অমদি ইমাঙ মাঙলি;
"পীসু হায় শিন্নখিসু হায়,
য়েল্লিসু হায় য়েন্দেসু হায়,
লৌইসু হায় লৌদেসু হায়,
চাকথুং ফংদে মৎপীখ্রেসু হায়"
পুকচেল শেংবা মীনুংশি লৈবা
জীববু নুংশিজবা ইরন্নি মীওইপোক্কী
অচৌ-অপিক লায়র-ইনাকখুনবা
মীচং শঙ্গন নাইদ্রবা অকি তুজুং তুংওইনরবা
মহাক্কী মার্কাদুদা ঈ ভি এমগী টিং খোংখিবরা?
চীং-পাৎ-তুরেল লৌবুক-লমহাং
মান্নবা খোঙচৎনি চৎলিবা
মহৌশা কৌবী লাইরেম্বীনা নমথাক তৌখিবরা;
মতমগী হৈরাং-লৈরাংশিং
পুংলোনগী জগোয় শাগুমলি
মেরা থাগী সনারৈ-ৱাকচীং গুলাপ লৈনুংশি
কালেন মৈশাগী লৈপাকলৈ,
শিন্দমহৌরসি তুং ইলহৌরসি
নুমিৎ থাগী খোঙচৎকুম; কায়হল্লগুমসি
মান্নবা- লিংজেল।

## নরক্কী কোম

—ডা. রনজিৎ মঙাং

অফবা ওইনীংদবা মী মহাক
নরক্কী কোমদা কুমগে খনবনি।
ৱারক-ৱাতেম্বদা লৌদ্রবা মী
নরক্কী কোমদা কুম্বা হৌরে।
ফত্তবতা খনবা মীওই খুদিং
নরক্কী কোমদগী হৌগৎপা ঙলোই।

## অঙকপা অমৃত

—শ্রীৱারেপ্পম তোমচা

অঙকপনি ইমা নঙগী অমৃতসে;
ইমাগী তম্পাক্তা হৌরিবা পূম্নমক
মান্নদে পূম্নমক খেন্নবা ঙাক্তনি
খরনা চাউই খরনা নেম্মী
অঙৌবা, অমুবা, অশংবা, অরাংবা।
মীওইবশিংগী মরক্তসু শকমান্নদে;
খরা অমনা ঙৌই
খরা অমনা মুই
খরা অমনা ৱাহৈ-ৱাতা ফজদে
খরনা ফজবা লিচৎ-শাজৎ ওইহল্লি।
চারুবা উহৈ কয়া কয়াসু;
খরনা থুমই খরনা খাই
পূম্নমক অসিগী হৌরকফমসু অমতনি
নুংশাগী মৈশাসু নোংসু অমতনি
অঙকপনি ইমা নঙগী অমৃতসে।

## নূংগুম কনখ্রবী থম্মোয়

—বুঙোচা খুমনচা

ইফমদা...
অরোনবা অরোৎপা
পুন্সিগী ৱারী অমত্তা
লীদনা তোকখিদে
মীনমদুনা চৎখিদে
হায়নীংবা থম্মোয়গী ৱা
তমনীংবা পূক্নিংগী য়াৱা
হায়রমখি লীরমখি নঙনা
ইকায় নুংশি য়াননা।
ইঙাও ঙাওজবী
ইচম চমজবী নঙগী নতৌদুনা
নাথৈদুনা পুবিখি
নুংশিবগী ইরম অমা ফাৎতুনা
ঐগী নুংশিগী ঈচেল
নঙগী থম্মোয়গী
নুংশি ঈপাক তমনা।
হেনখিবরা নুংশিবা
নঙগী থম্মোয়না
নঙবু পুকচেল শেংনা
নুংশিরিবা ঐগী থম্মোয়সিদগী
ৱাৎখিবরা ঐগী নুংশিবনা
চাংদম্লবদা ঐখোয়নীগী নুংশিবা
লোৎখিবরা নফমদা
ঐগীসু পুন্সিগী লৈজবা ৱারী
মীনমখিবরা নঙগী চম্লবী পুন্সিদা
ওইজবা থিবা ঐগী লীচৎনা
খঙই ঐসু 'সিমদি
পাউখুম অমা ফংলরোই ঙসিদি
ঐবু নুংশি তৎতনা হায়রম্বী
নঙগী চিনবান্দুদগী
মরমদি...
লেপ্পা ঙমখিদে ঐনা
নঙবু নুংশিবগীদমক
মতিক চাদবা পুন্সি ওইরম্বনা।

## অঙাওবা

— মোইরাংথেম কুলচন্দ্র

পূম্নমক !
তূমখুল তাল্লি
লাক্লি অচিকপবু থুগায়দুনা
হৌনা লাউনা
ঈশৈ শক্তুনা।
নিদ্রাগী শুমহৎপা
থৱায়না
চঙদে মঙোন্দা
নোক্লি-চৎলি ওমচাক্লনা
খোঞ্জেল হৌনা
থাবলগী মাঙদা।
উচেক ৱায়না
করেম্নরি
থৱানমিচাক্লা
মতিন শিৎলক্লি
খঙদে মায়কৈ
সলাই।
উলেনথক্তা হিপকনি
মদোম পোত্থাগনি
উনহি'থক্তা পূক্নিং পেন্না।
তূম্বা কায়রবা
কনানা চৈনি
মশাগীদা খনবা অঙাওবা!
করিনা পাউখুম পীগনি
তান্নরি ফানবা
মখোয়না।

## য়েংঙুনে 'মুক্ত

—খাইদেম বোরসিংহ

ঐনা অচৌবা
থেঙ্গু অমা তোংলগা
ঈপাকসিদা, ঈরোলনুংদা
চৎপা ঙল্লল্লবা মাগুম্না
ঙসিগী ফুল্লবা কাখুনুংশিদা
ইদোম লেল্লমলোই।
দ্বিপ খুদিং কোয়রগা
লাইজ খুজোক পুরক্তুনা
খৌরাংবা মৈচাক কোকহনগনি
য়েঞ্জনীংবা য়েন-দুনা
ইখৌ লাংবা কয়াদা।
মনা তাখিদরে মখোয়দি
চেক্লানা য়াকাইরোল শল্লক্লবসু
গির্জাগী, মন্দিরগী, মসজিৎকী য়াকাইরোন্দসু
গাড়ী মখোল অমা তাদ্রিমখৈ
মনি-মুক্তা, হৈরাং আহাওবা পুরকপা।
মীকপ মীরাও নাথৈখরে লায়রবগী
মিৎকী পি উখিদরে তোল্লবগী
মীকপ মীরাও নাথৈখরে লায়রবগী
গাড়ী মখোল নত্তনা, অহাওবা
লৈরাং চরোং নত্তনা, চান্নবীগী।

## ইশাসে অমুক্তা নাঞ্জগে

—তবানু খুরাইজম

তুরেল খোংনুং শেংবদা
ঈরম খোংলম ঐখোয়বুসু
শেংবা অমুক্তা য়াওবীয়ু
ইঙা ইঙেল নোংজুনা
ঈরৈ কন্না লাক্ত্রিঙৈ
লৈখোম লৈনাং পুরক্ত্রিঙৈ
ইশাসে অমুক্তা নাঞ্জগে।
লৈকায় লৈকায় খুদিংগী
ঈংনা তপ্না চেঞ্জবনি
ফত্ত হৌদিনা পীবুক থন
নাতোন মেন্না চৎনরে
মীয়াম্না ঐখোয়বু ঙাঙনরে
তুরেল খোংনুং শেংবদা
মপুনা ঐখোয়বু য়াওবীয়ু
ইশাসে অমুক্তা নাঞ্জগে।
নোংজু ঈচেল ঈরৈনা
অমোৎপা কয়া পুরগা
খোংলম পাথোক্লা চেল্লকপদা
তুরেল মোৎলে হায়খিনি
ঐখোয়সু তুরেলদা তাবনি
ঙাঙনবী ঐখোয়বু মীওইবনা
ইরম খোংলম্না থেনবনে
কংলৈ লৈকোয় ঈথুম্লে
মীচৈ অসে তাদনবা
তুরেল খোঙনুং শেংবদা
ঈরম খোঙলমসু য়াওবীয়ু
ইশাসে অমুক্তা নাঞ্জগে।

## লায়রবদি লৈহৈদ্রে

— ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্ম

দুকান মচা অদুদা ফল্লি ফমদুনা লৈ
পোৎ শিৎপা ৱাৎপগী
মথা খরা শাবগুম
কষ্টমর ঙাইদুনা লৈরি ঐ।
নাকলদা নুপা অমা লেপলৈ
অনাবগী থৌগল্লোয় মাল্লি
ঐনা য়োল্লিবা পোৎশিংদু য়েংই
শোল্লকই 'লায়রবদি লৈহৈদ্রে'।
ঐ ইথন্তা চমমনৈ মাগী
করি ৱাখলদগী শোন্দোকখিবা
খঙহৌদ্রবা খোঞ্জেলনো
'লায়রবদি লৈহৈদ্রে'।
ঐসু হংখিদ্রে ৱাহৈদুগী ৱাহন্থোক
পোৎ চৈ শিৎত্রিবা ওইবনা
চৎথোকখ্রে ইনাক্তগী তপ্লপ্পা
শোন্না শোন্না হো লায়রবা, হো লায়রবা।

# ৱাকিং

## (Paseo)

- জোস ডোনোসো

*(হান্নগী মখা চত্থরকপা...)*

অদুদগী ঐ সুম অহাঙবা কাদা চৎতুনা শান্নরম্বদগী নোং হাংলব্রা য়েংগে হায়দুনা থোঙনাউ পর্দা অমা হাইগৎলুবনি। নোং-নুংশিৎতু অদুম শীৎলল্লি। অদুগদি থাক থাক মখোঙদা কূন্দুনা, ঐখোয়গী য়ূমদু মুন্না য়েংলদুনা, হূই অঙৌবীদু অদুম লৈবা উরকই। ঐ পর্দা খংথা থাদে, মরমদি ঐ মাবু উনিংদে, পূমচোৎ চোৎলদুনা, কোয়য়েং য়েংলদুনা লৈরিদু। অদুদগী ইনে মাথিলদানা লোন্না কৌরকই, ফুংনাক্তা হান্না থল্লবা শীংদু থাগৎনবা মৈখেৎ খেৎনা খেৎনা অদুগা হংলকই :

- "মদু অদুম লৈরিব্রা?"
- "করিবো?" (ঐ মানা হংলিদো করিনো হায়বা খঙদি খঙই)
- "অঙৌবা হূই অমোমদো?"
- "লৈরি। অদুম লৈরি।" ঐনা খুমখি।

৩

শিৎলিবা নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা নিংথমথা অদুগী অরোইবা ওইদৌ মাল্লি। মরমদি থংনবা নুমিৎশিংদুদি নুংশা হাইগৎলক্লে, নুংদাংসু ঈংবা ফরক্লে। অঙৌবী হূই অমোমদুসু অদুম কূল্লি, ঐখোয়গী থোঙনাউদা মুন্না য়েংলদুনা। অয়ূক খুদিং স্কুল চৎপা থোকপদা ঐনা লাউরম্মী চৎখিনবা, তাম্থোকখিনবা। অদুবু ঐনা বস হেক কাখৎপগা, মাসু অদুম অমুক হঞ্জিন্দুনা কূলহৌরে, চিঠী উপু খিল্লিদুগী মরুমদগী থোরক্লগা। মীনাই লৈশাবীশিংদুনসু ফনা লাউরবনি, তাম্থোকখিনবা, অদুবু অদুসু কান্নবা লৈত্রে, মরমদি হূইদু অদুম হেক্তা হঞ্জিল্লক্তুনা কূল্লরে।

অমুক্তি নুমিদাংগী তূম্নরুনবা থাক থাক মখোঙদা ঐখোয় কায়নরবনি। ইখুড়া গুষ্টাবনা মৈ মুৎথৎপা হৌরক্লবনি, বল্ব অমা নত্তনা, কাখৎফমগী। অদুনা মাঙ্গোল অচৌবদু খিল্লিবা উপুশিংগী মমি তাবা হৌরবনি, ইনে মাথিলদানা লাউখি অঙ্কল আরমন্দদা থোঙনাও অমদি হাংদুনা থম্লবা, নুংশিৎ চঙলক্লবা। খুদক্তা লাউবদু লেপখি, মাগী ৱাহৈ পরেংদু মপূং ফাখিদ্রে, কাখৎপা হৌরুরবা ঐখোয় চপ লেপ্লে, অদুগা হংখি : - "কৈদৌরগে?" ববাদু থাক অমা কুমথখি। হংনা হংনা।

- "কাখৎলো, কাখৎলো।" ইনেনা মখা তারকখি, মাঙ্গোলগী উপুশিংগী মরুমলোমদা মুন্না য়েংলদুনা।

ঐখোয় কাখৎপা ঙমদ্রে, ফিভমদুদা।

কা পূম্বা পূমচিক্লি, পোৎ খুদিংগী মখোল তারি। ফক্লাংগা, থেৎলিবা চেদুগগী মরক্তা উফুল মরিক অমা তাবফাও তারবনি, খিল্লিবা উপু, কাংথোলশিংগী ক্রেক ক্রাক লাউবফাও তারবনি, ঈশিং মরীক অমা তাবফাও তারে হায়বা য়ারে। মতমদুদা ঐখোয় ময়াম লৈরিবা মফমদুদা, ঐখোয় নত্তবা অমা হেল্লে। ঐখোয়গী থোঙজিন মরুমদগী অঙৌবা পোৎশক অমখক অমম্বা মরক্তগী থোক্লক্লে। হূইদুনি, মাঙ্গোল ফাওনা মখোঙ শেক্লা শেক্লা ইনেগী মায়কৈদা চঙশিনখ্রে। অদুগা ইনেদফাও য়েংলুদনা হূইদু ইনেগী মখোঙদা তুরুরে।

হূইদুনা লেঙদখৈ লৈরদুদা ঐখোয় কাখৎপা ঙমদ্রে, ববাসু থাক অনী কূমথরক্লে। অঙ্কল গুষ্টাবনসু মৈ অমুক লোইনা থাল্লক্লে। অঙ্কল আরমন্দদি মাগী কাদা কাখৎখ্রে অদুগা থোঙ লোনশিল্লগা লৈখ্রে।

- "সিবু করিনো?" ববানা হংখি। ইনে মাথিলদাসু তুমিন লেপ্তুনা অদুম লৈ। অদুগা মাসু লাউনা হংলকই :- "মসিবু মফমসিদা কমদৌনা য়ৌরক্লিবনো?"

ইনেনা হংলিবদুগী মরমদি হূইদুগী হৈ-শিংবদুবুনি। কমদৌনা ফক্লাং লান্না চোংশিল্লক্লিবা, মাগী ফীভম মতাদুনা, কমদৌনা থাক মখোঙ য়ৌরক্লিবা অহোবা, অকায়বা মিংশেল ফাওরগা, অদুগা মানা চঙলকপদু কমদৌনা মীনাইশিং উহৌদ্রিবা, মখোয়না থোঙকা কাউদুনা হাংলুরবা জাৎলা?

- "মাথিলদা, মীনাই লৈশাবী অমা কৌরো, অদুগা পুথোকহনখ্রো।"

ববানা হায়রম্মী, অদুগা কাখৎখ্রে, অঙ্কল ওষ্টাবসু ইন্নখ্রে। লৈহৌরিবা হায়বু ইনে ঐখোয় অনীদা ঙায়হৌরে। হূইদু য়েং লৈরে। ইনেনা মীনাই অমা কৌখ্রে, অদুগা হায়খ্রে, কৈনো অমা পীজবীনবা অদুগা মথংগী নুমিৎতনা শাগী ডাক্তর অমা কৌনবা।

- "মসিবু ঐখোয়দা সুম থম্বা তারব্রা?" ঐনা হংখি।

- "কমদৌনদি ফীভমসিদা মাবু লমজাউদা থাদোক্লরনি।"

ইনেনা শোম্থাংননা খুল্লকখি। অদুগা মখাসু তারকখি : "মসি খরা থুনা ফহন্দবা য়াদ্রবনি, অশোকপসি। অদুগা খরা থুনা লংথোকখিনবা লমজাউদা। থুনা চৎহনখিদবা য়াদ্রবনি, ঐদি য়ূমদা শা-ঙা থম্বসি ওন্থোক্লা পামজদে।" অদুগা ঐঙোন্দা ওনশিল্লগা হায়রকখি:

- "চৎলো, কাখৎলো, তূম্লুরো চৎলো।"

ইনেনা হূইদু থাংদুনা পুরিবা লৈশাবীদুগী মতুং ইন্নখ্রে। ঐ খঙই, ইনেদি মহৌশাদগী মাগী মাঙদা তারবা থবকতু মমুৎ হেক তাদ্রিখৈ য়াদবনি। মদুগী থৌনা, হৈ-শিংবদুননি মাবু থাগৎনরিবা কৈনো অমা থোক্লকপদা। খঙদে, মসি পূম্বসিবু ওইথোক্লিব্রা মাগী পংখৈ মনুংদুদা। মাগীদি তঙাইবু ফদ্রবা ঙম্লবা হোৎনখিনি, অৱাৎপা, অশোয়বদু হেক চুমথোক্ত্রি ফাওবা, ফিভম্নবু য়াদ্রবদি, তৌগে হায়না তৌরকপদি নত্তবা। অদুনদি, অশোকপা হূই অঙৌবীসি শোয়দনা ফরনি। ইনেনা শেন্নখ্রনি, মরমদি হূইদু মাগী শক্তিগী মনুংদা চঙখ্রে। শোয়দনা শাগী ডাক্তর কৌখ্রনি, ডাক্তর অদুনা শোয়দনা হূইদুগী মখোঙ অতেকপদু বেন্দেজ য়েৎখ্রনি, মদুসু ইনেগী মীৎয়েং মখাদা। ইনে মশামক রবরগী গ্লোব উপখ্রনি, এপ্রোন শেৎখ্রনি, মহাক মশামক্লা হূই অদুগী অশোকপদুগী চামথোক চামশিন তৌখ্রনি, নর্স অমগুম, মহিক চঙদনবা হীদাক তৈবীখ্রনি। হীদাক তৈবদুদা হূইদু খোংলক্কনি থূপ্তুনা। অদুবু ইনে মাথিলদাদি খোংবদু তাশিন্নররোই। মরমদি মাগী থবক্তু মায় পাক্তবা য়াদে, মাগীদি।

অদুম্না অদুম তৌখ্রে। হূই অমোমদু ঐখোয়দা অদুম লৈরে। ঐনা উদ্রসু, ঐ খঙই, আ য়ূমগী য়েনখাদা অদুম লৈবগী শামিল ফংই। অমুক অনীরকসু ঐনা উখি, ইনেনা মখূৎ রবর গ্লোব উপ্তুনা মহী অঙাঙবা কোক্তা অমা পুথরগা কুমখিবা। অদুগা ঐনা সাইকল লৌথোকপা চঙবদা য়েনখাদা উরম্মী, চিঞ্জাক হাপ্পা প্লেট অমসু। অদুগী মথক্তা য়াম্না শোন্না, ফক্লাং ৱাংমদা মরক মরক্তা হূই অদুনা খোংলকপদু ঐগী নাকোং য়ৌরকখি।

নোংমগী নুংথিলদি, ঐ চাকখুমদা কুমথরম্মী। অদুগদি হূই অদু চঙলকপা উরম্মী, মহিক চঙদনবা তৈরিবা অঙাংবা হীদাক মচুদুনা জোক্কর অমগী মওং মাল্লে, মশা পূম্বা। মীনাইশিংনা মাসি লংথোকউরবনি। অদুবু মাদি মখোঙ শেক্লক্ত্রে, মমৈ মক্রাং লোল্লম্বসু লোল্লক্ত্রে, অহোইনদুম মমৈদু শৎ হাইগৎলদনা চঙলক্লে, মাগী ইকায়নফম ওইরবা মফমকাদু ফোংনা উৎলদুনা।

নুমিৎতুদা ঐনা ইনেদা হংখি :

- "মসিবু ইনে নঙনা কদায়দা লংথোক্লুগে খল্লিগে ?"
- "কনাবু?" ইনেনা খুল্লকই। খঙজিন্নদবনি। মহাক খঙলিবনি।
- " হূই অঙৌবী অসিবু হায়বা?"
- "মহাক অসি পুমফ ফদ্রিদা।" ইনেনা খুমদোক্লকখি।

সিগী মতুংদসু ঐদি ইনেদা হায়নীংবনি, হূই অসি ফরগুম্বনি, মানা ফত্ত-হৌদি লংথোকফমদা মচিঞ্জাক থিরুবদা চপ চানা ঙল্লদবা ফীভমনি হায়না। অদুবু ঐ ইনেদা অমুক হায়রুদ্রে। মরমদি ঐ ইনেগী মচিং খঙই। নুংদাংদুদসু বিলিয়ার্ড বোল শান্নবদা মৌপ্পা অমনা কাথোকখিবদা বিলিয়ার্ড অমুক হন্না শান্নখ্ররোই হায়না ৱাশকপা ঙল্লিবনি। মৌপ্পাশিংদুনা শান্নরগা মানা সোফাদা ফমদুনা অদুম লৈখিবনি। মৌপ্পা অমগী মমিং ওন্ননা কৌরক্লিবনি। মাগী অদুম্না ৱাখল অমদা উংদুনা লৈগনবা লৈ। মৌপ্পাশিংদুনা ৱাখল পরীংদু চুমথোকপীখি। মখোয়দি মখোয়দা কান্নদৌবা নৎত্রবদি থৌদোক অমা কাউথোকপা লায়না ঙম্মী। ঐ তশেংনা উখ্রবনি ময়ামসি।

অদুনা শান্নফমদু ইনে লৈতবগা চপ মান্নখি। মহাক ঐগী নাকলদা স্বরদি হোল্লি, সোফা মথক্তা। মখোল থোক্তনবা থাবা কার্পেট অদুসু অদুম মাগী খুয়া মখাদা লৈরি। মখূৎনা তপ্পা মাগী স্কর্ট অদু নাম্থরি। অদুনা কমদৌনা ৱাখল অমদা উংখ্রবা মী অমগী মতৌবু ঐনা খঙলুরনি। মথংগী নুমিদাংসু ইনেদু শান্নফমদা চঙলক্ত্রে। তশেংনা মহাক শান্নবদুদা মপূক্নিং থমদবগা মান্নখ্রে। মাগী মৌপ্পাশিংদসু মমিং কৌদুনা ঙাঙবা তোকখ্রে। মৌপ্পাশিংনদি হোংখ্রিবা ইনেগী মতৌসি খঙদ্রি। মখোয় খঙফমদি থোকপনি, মরমদি শান্নবদু মতম তেনশিল্লকইবনি। শম্না হায়রবদা মৌপ্পাশিংনসু মঙোন্দা য়েংবা মিৎয়েংদা খেন্নবা উরক্লে।

নুমিদাং অমদি ঐখোয়না চাকখুমদগী থোক্লকপদা হূই অদু থোঙজিন্দা লৈরম্লে, ইমুংগী মীশিংগা অমতা ওইররে। নুপা মখৈনা লাইব্রেরিরোমদা চৎত্রিঙৌদা ঙাইহাক লেপ্পী, মদু মচেদুনা বিলিয়ার্ড শান্নফমদা হান্না চৎখিনবনি। হন্দক্তি হূই অঙৌবীদুনা মতুং ইন্নখ্রে। মখোয়নসু করি অমতা হায়দ্রে। উশিন্নদ্রে। শান্নবা হৌখ্রে মথন্তা, মহৌশাগুম।

হূই অদুদি তুমিন্না কূল্লি ইনেগী মখোঙদা। মহাক্কী মমিৎ অদুদি কা অদু কোইয়েং য়েংলি, শান্নরোইদুগী লেঙ-ওৎপদুদা মহাক নুংঙাইজবা ফাওবা মাল্লি। মহাক হৌজিক্তি নোয়রে। মতুকা লংখৎলে। মাগী মশা পূম্বা, শুজিনবা মানবা মনাতোন্দগীনা হেক মমৈফাওদু য়েংবদা নুংঙাইরে। মমৈদু হাইদুনতা লৈরে। মহাক্লা য়ূমদুদা লাকপদু থা অমা হায়খ্রে। অদুবু থামুক্কী মনুংদুদা ইনে মাথিলদানা মাবু পুমফ ফহল্লিবনি। লুনা তৌবীবখক নত্তে, মহাক্কী মখূৎমক্লা অতেকপা মখোঙদু শেন্নবীরিবনি। মখোঙদু ফরে, মহীক চঙদনবা হীদাক থারে। পীজবনে, ঈরুবীবনে, হূই অমোম অঙৌবীদু মপূং ফাখ্রে চাউবসু।

নোংমদি শান্নবদুদা অঙ্কল আরমন্দনা মখূৎ নাম্থোক্তুনা চৈ মতোন তক্লবা শংবানবা চোক্কী ক্যুব অদু হেক লৈবাক্তা তাখ্রে। অদুগদি মাগী মহৌশা পোৎ লাকপগী ঈথিল অদু লাকপনা হূই অদুনা চেনশিল্লক্তুনা ক্যুব অদু ময়ানা লাকখ্রে। অঙ্কল আরমন্দনা খুনবা নংহৌদ্রে। অদুগদি অঙকপা মতৌ অমা ওইখ্রে। ইনে মাথিলদাদু, করিগীনো খঙদ্রে, খংনোক নোকথোক্লক্লে, মশাফাও ফ্র ফ্র হাইদুনা হৌনা। ঐখোয়দি তৌফম খঙদনা তুমিন্না লৈরে। মানা নোকপদু তাবদা হূই অদুনা ক্যুব অদু থাদরক্লে। অদুগা ইনেদা চেনশিনখ্রে, মমৈ হাইরদুনা, অদুগা অমুক চোংখৎখ্রে ইনেগী মতম্পাক্তা। ইনেগী নোকপদু লেপখ্রে, অদুবু অঙ্কল আরমন্দদি কাদু থাদোক্তুনা চৎখ্রে। ববাগা অঙ্কল গুষ্টাবকা শান্নহৌরে। শান্নহৌরে। হৌজিক্তি তঙাইফদ্রিবসি উশিন্নদবনি, ফৈ-ফত্তে হায়দবনি। কৈসু নত্তবদুদা, নুংঙাইবা ফাওরিবা মহাক্তুগী মরমদা খনবীদ্রগা লোইরে।

ঐদি ইনে মাথিলদানা নোকপদু কৈসু হরাউদে, মরমদি ঐদি ইনেগী হোংলক্লিবা মওং অদু ফত্তবা লাই অমা চঙলক্লব্রা খন্থরুই। হূই অদুদি তুমিন্না কূল্লি ইনেগী মতম্বাক্তা। শান্নবদুদা বোল মশেল থেংনদুনা কোক কাক লাউরকপদা সোফাদা ফল্লিবা ইনেদু মাগী হৈনবী ওইনা মখূৎ অদু সোফা মচিন্দা পায়রকই অদুদগী মাগী স্কর্ট নাল্লকই, অদুদগী অমুক তূল্লিবা শা অদুগী মনঙ্গল নাল্লকখি। ঐ খঙই, ইনেগী মখূৎতুনা পোত্থাবা ওইনা লেঙলকপদুদা মাগী হান্নগী টেন্সন অদু হন্থখ্রে হায়বা, অদুনা মশাগী ঈং-তপ্পদু মায়থোঙদা মমি তারকখি। ঐ খাঙবা ঙল্লক্তে, অদুনা ঐ মনাক্তা চঙশিন্দুনা সোফাদা ফম্লুরে, হৌগৎপদা ঙায়রিবা মৈ মনাক্তা চঙবগুম। ঐনা খল্লুবদি, মানা ঐবু লাম্লক্কনি, য়েংলদুনা, নৎত্রগা ঐঙোন্দা মোমোন নোক্লক্কনি অসিনি। অদুবু মহাক অমতা তৌরকখিদ্রে।

৪

নোংমদি, ঐনা স্কুলদগী হল্লকপগা নুংথিলদু, মহৌশাগুম মনিংলোমদা চঙলে, সাইকল তোংদুনা থৌবা শান্নরুরে, অপিকপা লৈকোল মচাদুদা, থারিবা ফাল অদুগা, হৌরিবা উপান্বী অদুগগী মরক্তা লৈ লৈদুনা। চেকপল ৱাংমদনা বাদাম পান্বীদু য়েন্নীংথাগী মপাল শাবা হৌরক্লে। অদুবু য়েন্নিংথা অদুনা ঐবু নুংঙাইহনবা ঙমখিদে, মরমদি ঐনা খনগদবা লুরবা ৱাফম খরা লৈরি। লৈকোল অসি ইচিক চিক্লি। মফমসি মীনা থনবা মতমদি কালেনগী মৈশানা চাক্লবা মতমদদনি। হৌজিক্তি মফমসিদা তুমিন ফল্লগা ৱাখল খনবা নুংঙাইখ্রবা মফমনি। ঐনা খল্লি, ইমুংসিদা ওইরিবা ফীভমসিদা।

কনাগুম্বনদি হায়বা য়াই, কৈসু থোক্তেনা হায়না। অদুবু ঐদি কমদৌনা তুমিন লৈগনি, ইনেগা হূই অসিগা লৈনরিবা মরী অসিনা সুম সুম হেনজিল্লকপা অসিদা। মওংসি য়েংবদা, ইনে মাথিলদানা খনবা মাল্লি, মহাক্লা ইমুংগী মকুপ-মতা ময়াম ৱানা হোৎনরুবা মতুংসিদা মাগুম্বী অমা থেংনরবগুম। নুপী মশেল পূল্লগা তৌবগুম, মখোয় অনীসি পূনখিবদগী জাৎ জাৎ তৌখৎলক্লে, অঙক অঙকপা। মখোয় অনীনা চারিবা অহাউবা অচাপোৎ কয়া, উপুদা হান্দুনা থারকপা, রিবোন্নকা পুল্লদুনা। ইনেনা শীনবা ঙাক্তনি। এপল, অঙ্গুর য়াওরি ইনেনা চায়, হূইনা য়েংলি।

ঐনা করিগুম্বা ইনেগী কাদু লান্দুনা চৎপদা ঐ নোকপা তায়, ইনেগীনি। মাগী পুন্সিদু অহিং অমদা মথক মখা হেক ওন্থোক্লবগুম। নৎত্রগনা কনাগুম্বা অমগা ৱারী শাবদৌনসু তায়, অমদুগী মখোলদি তাদে। ইনেগীসি পূমনৌ নৌবা পুন্সি অমনি। হূই অদুদি, মরাল লৈরবগুম, ইনেগী ফমুং ময়াদা থুম্মুক অমদা তূল্লি। ইনেনা চৎলিখৈ ইন্নৈ, চাকখুমদা নত্তনা। মদুদা চঙবদি মহাক য়াদে হায়বা খঙই। অদুবু ইনে থোক্লকপদু ঙাইদুনা লৈ। অদুদগীদি ইন্নখিনি বিলিয়ার্ড বোল শান্নফমদা। অদুগা সোফাদা ইনেগী নাকলদা কূন্দুনা লৈ-খনি। নৎত্রগা ইনেগী তম্পাক্তা। মরক মরক্তা অমুক অমুকসু, য়েংনরি মখোয়নি।

মসিবু কমদৌনা ওইখ্রিবনো? ঐ ইতোমতা হংজখি। কমদৌনা ইনেনা মশাগী তাইবঙ অমা থাদোক্লগা হূই অসিগা ৱারী শাবা অসি ঙমখ্রিবনো? করিগুম্বদা ইনেসি হূই অসি মাঙখিদ্রা পাখৎপা উই। নোংমা হূইসিনা খঙহৌদনা লাকখিবগুম, অমুক চৎখ্রদি কমদৌবা? নৎত্রগা হূইসি নারক য়েক্লক্লদি কমদৌবা? পূম্নমকসি হৌজিক্তবু লায়রবগী ৱানি, মতমদুদদি ঐ খনফম খঙখিদে, ঐগী সাইকলদু থৌনা থৌনা মতমদুদা ঐ খন্দুনতা লৈখি। ঐনা ঙসিফাও তশেংনা নীংশিংবা হায়বু, মতমদুদা ঐসু হূই অদুগুম্না কন্না নাবা পামখি। য়েংনীংখি ইনেনা কমদৌনা ঐবু য়েংবিবা। মরমদি হূইদুনা শোকপদগী ওইখ্রিবা মখোয়নীগী মরীনি। মদুবু নৎলমদ্রবা ইনেনা কৈদৌঙৈদা হূই লোইরল্লোই, তিনসু তিন্নরল্লোই। অদুবু ঐ খক নাখিদে। অদুগী মথক্তা অসিমসু তশেংনা খঙখি মদুদি ইনে মাথিলদাদি অমুক্তা পোৎ অনী নুংশিবা শুকঙম ঙমদে। অমুক্তা অমখক্তনি।

ঐগী ববাগা ইখুড়াশিংগদি হোংলক্লিবা ফীভমসি খঙদে। হূই অদু হৌজিক শান্তি ওইখ্রে, সরক থোক্ত্রে, ইনে মাথিলদানা পামজবা মচৎ অদু চৎখ্রে। অদু ফনা ওইদুনসু মঙোন্দা অদুম য়াওরি, সরক্তা লৈবা হূই অমোমগী মচৎ, মচোংপাক নাইদবা মচৎ। মসিমদি শেংলে, মাগী পুন্সিদা নংখিবা অৱা-অনা অদুনা মাগী তৌশিন্নবা, শাদান্নিংবগী মতৌদুদি মাঙহনবা ঙমখিদ্রে। অদুনা ইমুং অদুদা লৈরিবা নুপা মখৈনা হূইদু য়াবা নত্তনা লংথোক্লুবা ঙম্নদ্রে, মরমদি মদু হেক তৌরুবদা ইমুংদুগী ঈং- চিকপা ফীভম কায়দৌরি।

নোংমগী নুমিদাংদি, চম্প্রা মহী শেমদুনা লাইব্রেরিগী টেবলদা থল্লবা মতম, অদুগা থোঙনাও পূম্বা হাংদোক্তুনা নুংশিৎ চঙহল্লবা মতুং ঐখোয় ববানা চপ লেপ্লগা লাউরকখি, বিলিয়ার্ড বোল শান্নফম কাগী থোঙজিন্দা লেপ্তুনা:

- "কৈনো মসিদি?" মানা লৈমায়দা য়েংলগা হায়রকইবনি।

নুপা অহুম্মক চপ চপ লেপ্পী, লৈমায়দা য়েংথনৈ, টাইল থাবা লৈমায়দুদা হূইদুগী ময়ুং খরা তূংদুনা লৈরে।

- "মাথিলদা!" অঙ্কল ওষ্টাবনা কৌখি।

ইনেসু চেল্লকই, য়েংলৈ। অদুদগী ইকায়দুনা মমায় ঙাঙখি। হূইদু বিলিয়ার্ড বোলগী টেবল মখাদা কুল্লম্লবা জাৎনি। ববানা হূইদু উরে, অদুনা মমায় লৈথোক্তুনা অদুম থোকখ্রে, অদুগা মনাও নুপা অনীদুসু অদুম ইন্নখ্রে।

ইনে মাথিলদা মথক্তা কাখৎখ্রে। হূই অদুসু মতুং ইন্নখ্রে। ঐদি লাইব্রেরী কাদা অদুম লৈরি, চম্প্রা মহী থক্লি। থোঙনাওদা কালেনগী অতিয়াদু য়েংথোকখি, অরাপ্পদা জহাজশিংনা সাইরেল খোংবা তাই, সহর অদুগী অরাংবা মনিল চঙলকই, অমম্বা মরক্তুদা, থৱানমিচাক মখাদা। তাঞ্জা অদুদা ঐনা তারকই, ইনে মাথিলদা কূমথরকপগী খোঙথাং মখোল। মহাক মফি নাল্লি, টুপি উপ্পি, অদুগা মাগী কাগী শোদু মখূৎনা পায়রি, মখোল থোক্লকই।

- "কাখৎলো, তূম্লুরোদনা।" মানা হায়রম্মী, "ঐ মসি অম্বাইদফাওদা পুথোক্লুগে, ৱাকিং চৎলুগে, মাগী মথী-ময়ুং লমহাংদা হোৎনজনবা।"

ইনেদো থোক্লা থোক্লা অমুক্তা হায়দবা ৱা অমগা হায়রম্মী :

- "ও! কয়াদা ফজখ্রবা অহিংনো।"

অদুম থোকখ্রে ইনেদু হূই অদুগা।

নুমিদাং অদুদগীদি ইনেদো নুমিদাং চাক হেক তোকপগা মথক্তা কাখৎতুনা মৌপ্পাশিংগী ফমুং শেম্বীরম্বদু তোকখ্রে। অদুগী মহুৎ মাগী কাদা চঙখ্রগা, মফি-মরোল হোংদোকখ্রে, টুপি উপশিনখ্রে, অদুগা থাক থাক কূমথরক্লে, মখূৎনা শোজৈ মখোল থোকহল্লদুনা। অদুগা অদুম থোকখ্রে হূইদুগা, কৈসু হায়রমদনা কনাদসু। ঐখোয় নুপা মখৈদি বিলিয়ার্ড বোল শান্নফমদা পূন্না লৈহৌরি। ঙাইহাক অমুক লৈকোল মচাদুদা ফমদুনা লেল্লে, উপাল মখাদা, তশেং তশেংলবা অতিয়াদু য়েংনা য়েংনা। অদু ফনা ওইদুনসু নুপা অহুম অসিনা ইনে মাথিলদাগী নুমিদাংগী খোঙচৎ অদুগী মতাংদদি ৱা অমত্তা ঙাঙনদ্রি। মখোয়দা ইমুংসিগী হোংলক্লিবা ফীভম অসি খঙদবগুম লৈরি।

অহানবদদি, ইনে মাথিলদাদু কুইরবদা মিনট ২০ নৎত্রগা পুংখায় অমা চৎথোক্লুই, অদুগা তন্না হল্লক্তুনা চাবা য়াবা চারৈ অমসুং থেংনরকপশিংগী ৱারী অদুম পল্লে। মতুংদদি মাগী খোঙচৎ অদু সুম শাংদোক্লকই, সুম কুইথরকই, সুম থেংথরকই। ঐখোয় খঙবা হৌরে, ঐদি খঙঙে, ইনেগী খোঙচৎ অদু হূইগীদমক থোকপা নৎলক্ত্রে। অহিংদা সহরগী সড়কশিংদা, করিগুম্বা অমনা মাবু কৌথোকপগুম্লে। ঐখোয় ববানা মহাক হল্লকপা ঙাইরি, ঘড়ী য়েংই, থেঙদ থেঙজিল্লক্লগা অঙ্কল গুষ্টাবনা মথক্কী কাদা চেনখৎখ্রগা য়েংলুনি বেলকোনিদগী। কৈনো অমা কাউরম্লে হায়জিন্নরগা কাখৎখিনি। অদু য়ৌরফাওবদা মখোয় অমত্তনা ৱা ঙাঙদ্রি। অমুক্তি ইনেনা থেঙলফাও হল্লক্ত্রবদা ববাদু থোক্তুনা থিরুরে, অঙ্কল গুষ্টাবতি চুরুট অদু চম্ল মুৎথৎলা লাংতক্লনা লৈরে। অদুগা ইখুড়া অতোনবা আরমন্দদি কোফি থকপদু অদুম হৈদোকখ্রে। ঐদি য়েংবদা ওইরি, ঐনা খল্লি, ইনে লৈত্রিঙৈ অসিদা মখোয় মশেল করিনো খরদি ৱা ঙাঙনরক্কনি, ঙাইনা ঙাইনা, মিনিট অমগী মথংদা অমা। অদুবু ৱা অমত্তা ঙাঙনদে। ইনেদি পুং তরানিথোই মখায় তাখ্রে, য়ূম য়ৌরকপদু।

- "করিগীনো নখোয়না ঐবু অদুক ৱানা ঙায়রিবু?" মানদুম ওনখৎতুনা হংজিল্লকই।

মানা লাক্লিবদু, টুপিদু মখূৎনা পায়রকই, মশমদু মতম পূম্বদা নান্দুনতা লৈবদু ইফা ফারকই। অদুগা মাগী খোঙউপ অদুসু লৈখোম খরা তৈরকপা ঐ উহৌই।

- "করিনো নঙনা তৌরিসিবু?" অঙ্কল আরমন্দনা হংখি।

- "কৈসু তৌদে।" ইনেগী অতেনবা পাউখুমনি। অদুনা লোইরে, লোইনা থূপচিনখ্রে, মৌপ্পাশিংগী হক। হংলুবা ঙমদ্রে, ইনেগী নুমিদাংগী পুন্সিদুগী মরমদা, পুং কয়া মাঙলুবগী।

ঐনা মাগী অহিংগী পুন্সি হায়না হায়রুরিবসি করিনো খরা উবননি। ইনেনা ঐখোয়গা লৈমিন্নরিঙৈ মিৎকুপ খরদু, মানা মাগী হূই পুদুনা মাগী কাদা কাখৎত্রিঙৈদু, ইনেগী মমিৎতু ইথক থকই। পোত্থাফম খঙদবা ওইনা উই, শাশিংগী মিৎতৌনা। মমিত্তা উবগুম তৌই, মাগী ৱাখলগী দৃশ্য, মদুদি ঐখোয়গী ৱাখলনদি য়ৌরুবা ঙল্লোই। মখোয় অনীখক্তনা খঙদৌ মঙায়রে। নুমিদাংগী অমম্বনা মখোয় অনীবু ঙাক শেনবীরি। মখোয় অনীমক সহরগী নিল-খোংবা মরক্তা য়াওখ্রে, জহাজগী সাইরেল মখোল মরক্তা তিনখ্রে, মখোলদুনা লাক্লি অমম্বা অঙানবা লম্বী কয়া লান্না, য়ূম কয়া ফাওনা, ফেক্টরি, পার্ক কয়া লাল্লগা ঐগী নাকোং য়ৌরক্লিবনি।

অদুম্না হূই অদুগা কোয়বা চৎপদু অদুম চত্থরি। অদুনা ঐখোয় পূম্বা নুমিদাংগী চাক হেক তোকপগা 'গুদ নাইট' অদুম হায়নরে, মাগী মাগী কাদা চঙদুনা হিপ্নরে। অদুবু ইনেনা হেক হল্লক্ত্রিফাওদি কনা অমতা তূম্বদি য়ানদ্রে। করিগুম্বদা য়াম্না থেঙনা, নোংঙাল্লমদাই মতমদা, নুমিৎ মঙালনা উতোন য়ৈরক্লবদা হল্লকপা য়াওরে। ইনেনা হেক হল্লক্তুনা মাগী থোঙ হেক লোনখিবদা ববাগী চৎপগী মখোলসু মাগী কাদা লেপখি। মনাও অনীগী থোঙনাও থিংবগী মখোলসু তারকই, লেমহৌরিবা অহিংগী মচেৎতুদং তূমহৌনবা। নুমিদাংদুমদি খুদোংথীবা থোক্ত্রে খল্লদুনা।

অমুক্তি মহাক্লা থেঙনা হল্লকপদু ঐ তায়। ঐনা খনবগুম ইনেদু ঈশৈ ঙংদুনা হল্লকই। ঐসু ঐগী কাগী থোঙদু হাংদোক্লগা লোন্না য়েংলুই। মানা ঐগী কা লাল্লগা চৎখিবদা উহৌই, হূই অমোমদু কোল্লগা পুরক্লি। ইনেগী মায়থোঙদু নহা মাম্থোক্লে, নাল্লে। অদুবু মাগী স্কর্ট অদু খজিক্তং শেগায়রকপদি উহৌই। ঐ অদুম ফমুং চঙজরে, কিরদুনা, লোইরেদনা খল্লদুনা।

ঐনা নীংবা চুম্লে। নুংদাং অমদি, ইকুই কুইদনা, ইনে মাথিলদাদু হূই অমোমদুগা থোকখিবনি, নুমিদাংগী চাক মতুংদা। অদুবু অদুম হল্লকখিদ্রে।

নুমিদাং চূপ্পদু ঐখোয় লোইনা মিৎশেল খাঙলে, মাগী মাগী কাদা লৈনরসু তূম্নদ্রে। অদুবু মাদি অদুম হল্লকখিদ্রে। মথংগী নুমিৎতুসু কনা অমত্তা কৈসু হায়নদে। অহল অহলসু অদুম ওফিস চৎখি, ঐসু স্কুল চৎলে। ঐখোয়না নুংথিল হল্লকপদসু ইনেদি হল্লক্লমদ্রে। নুমিদাংদু ঐখোয় লোইনা চাক তুমিন তুমিন চানরে। ঐ ঙকই, অহল অহুমদু অহানবদা নুমিদাং অদুমক্তদা অশেংবা মরম খঙলব্রা? ঐ খঙলম্নি থাজদে, মরমদি ঐখোয় পূম্নমক, লোন্না লোন্না থোঙনাওদা য়েংনরি, সড়ক্তা, ফুট পাথ মথক্তা।

- "নঙগী ননেদো খোঙচৎ অমগীদমক চৎখ্রিবনি।" ঐখোয়গী চাকথোংবীদুদা ঐনা খনবা য়াবা খল্লগা হংলুবদা খুল্লকখি, মতোমতা ঙাইরিঙৈদা।

য়ূমদুদা হান্নগুম পুন্সিদি অদুম চত্থরি, ইনে মাথিলদা লৈরিবগুম। অদুগা অসিমসু চুম্লে, অহল অহুমদু তৎতনা লাইব্রেরি কাদা ফম্মিন্নরি, পুং কয়া, কোক চুংশিন্নবা মাল্লি, ইনেবু ফংনবা উপাই, অহিংগী অমম্বনা য়োৎশিনবীখ্রবী অদো। করিগুম্বদা তোয়না নুপা অমা হেক হেক লাকই, মাদু ঐখোয়গী স্বাইগী নত্তে, মফি অচম্বা শেৎলি। অদুদগী অমুক্না ষ্টিবদোর য়ুনিয়নগী মকোক্তু লাক্লম্মী ক্ষেত্রিপুরন মতাংগী খন্ননবা। করিগুম্বদা মখোয়গী খোল ৱাংনরকই, করিগুম্বদনা মী লৈতবগুম পূমচিক চিকই। করিগুম্বদনা মখোয়গী খোন্দু কন্নরকই, শাউনরকই, ঐনা খঙদবা খোঞ্জেল অমগা অৱায় অখুম তৌনরকই। অদুবু লাইব্রেরিগী থোঙজাউ অদুনা থামনখিবনা, লূম্মনখিবনা মখোয়না করি ঙাঙনরি ঐ তাবা ফংদ্রে। *(লোইরবা)*

*ইংরাজিদা : লোরেন ও'গ্রেডি ফ্রীমেন*
*মীতৈলোন্দা : সলাম তোম্বা*
*(চিল্লীগী ৱারীমচা)*